## ওন্নখিবা

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** পাউ চে অসিগী মার্চ ২৭ চেফোংগী অহানবা লমাইদা 'মী নেল্লগা থবক শুহনবা হৌরগনি' হায়বা হেড লাইনগী মখাদা ফোঙখিবা পাউদা মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্ম এক্ট ২০১৬ হায়খিবদু ১৯৬০ হায়গদনি অমসুং খুঙ্গংদা চৎলু হায়বা কেম্পেন অমা এপ্রিলগী অহানবা চয়োলদগী হায়খিবদু মে হায়গদবনি।

*এডিটর*

## ফ্রি মেডিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** এন ঐচ পি সি লোক্তাক পৱার ষ্টেসন অমসুং এল ডি ঐচ সি এলনা পূন্না শিন্দুনা নোনে ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খৌপুমগী গৈদিমদিমাজিয়াংদা ফ্রি মেডিকেল কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

সি এস আর এন্দ দি এস ডি এফ ৱাই ২০১৭-১৮ কী মখাদা পাঙথোকখিবা ফ্রি মেডিকেল কেম্প অদুদা এন দুইজেন ই ডি এম এস পি সি এলনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। থৌরম অদুদা লোক্তাক পি এসকী জেনরেল মেনেজর বিশ্বজিৎ বাসুনা চীফ গেষ্ট ওইখি লোয়ননা মহাক্না ৱা ঙাংবদা পৱার ষ্টেসন অসিনা অসিগুম্বা কেম্প কয়া হৌখিবা চহি কয়া অসিদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি অমদি কেম্প পাঙথোক্লিবা অসি মফম অসিগী মীয়ামগী পুন্সিরোল ফগৎনবনি।

মীওই ৩৫০ রোম্না শেল তিংদনা ডোক্টরশিংগা তাথোক-তাশিন তৌনখিবগা লোয়ননা হিদাক-লাংথকশিংসু লেম্না য়েন্থোকখি হায়রি।

## ৱাকৎ মীফম ফমগনি

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়নগী এগজিক্যুটিব কম্মিটিগী মীফম অমা থা অসিগী ২৫ দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা এপ্রিল ২ গী অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী নুংথিল পুং ৩.৩০ ফাওবা শিংজমৈ চীংঙা কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোক্কনি হায়রি।

## রুকমনি কৃষ্ণ ফোংগনি

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** সেন্টর ফোর য়ুথ এন্দ কলচরেল এক্টিভিটিজ খুরাই পুথিবা লৈকাইনা পুথোকপা ডান্স ড্রামা রুকমণি কৃষ্ণ ফোঙবগী থৌরম লাইনিংথৌ পুথিবগী শঙলেন্দা থা অসিগী ২৮ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অসিদা ৱাই চিত্রনা চীফ গেষ্ট, এ তোম্বীনৌনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং এস থানিলনা প্রসিডেন্ট ওইগনি হায়রি। থৌরমদা লমদম অসিগী মীয়াম্না শরুক য়াবিরনবা ৱাফমসু সেন্টর ফোর য়ুথ এন্দ কলচরেল এক্টিভিটিজনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** খাঙবোক পার্ট ৩ মখা লৈকাইদা লৈবা সাইখোম নবচন্দ্র অপোকপগী মিংনা এস তোনানা লৈখিদবদা খাঙবোক মায়কৈগী স্কুলশিংগী প্রিন্সিপলশিংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ওজা নবচন্দ্রনা থা অসিগী ২৫ দা লৈখিদবদা খাঙবোক্তগা লৈরিবা খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ন্যু পব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ৱিজদম ফাউন্দেসন, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, কে আই এম এডুকেস্নেল সোসাইটি, পি এম য়ুনিক একাদেমী, ইষ্টর্ন হায়র সেকেন্দরি, জানকী পিছ একাদেমী, কে এস এল টি খাঙবোক অমুবা হায় স্কুলনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

## এল পি জি গ্যাস কনেক্সন য়েন্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনাগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী তুলিহল জিলা পরিষদকী মনুংদা লৈরিবা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা, বি পি এলগী ইমুংশিংদা পীবা এল পি জি গ্যাসকী কনেক্সন ঙসিসু তুলিহল জিলা পরিষদকী মেম্বর অমদি ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী মহিলা মোর্চগী প্রসিডেন্টসু ওইরিবী খোংবম ওংবী ইনাওচাগী য়াইরিপোক তোপ চীংথাদা লৈবা য়ুমদা য়েন্থোকখ্রে।

গ্যাস কনেক্সন য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা জেদ পি মেম্বর ইনাওচানা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনাগী মখাদা হান্নসু মমাংদা য়েন্থোকখিবা অমদি ঙসি য়েন্থোক্লিবসিগা পূন্না কনেক্সন ৩০০ রোম শুরে। অতৈ অৱাৎপশিংসু অথুবদা য়েন্থোকনবা হোৎনরি। অমদি অতৈ অতোপ্পা লাইরবা ইমুং, লুখ্রাবী, অহল ওইরবশিংগী অমদি অতৈ অতোপ্পা চাওখৎ থৌরাংশিংসু মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিং অমসুং চীফ মিনিষ্টরগা তান্নদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎতুনা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

## শুমাং লীলাদা ম্যুজিক্না লৌরিবা থৌদাংগী মরমদা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে




**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** নোর্থ ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্টরনা স্পোন্সর তৌরগা আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিল অনিনা পূন্না শিন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা নুমিৎ ৩০ নি চুপ্পা চথুরকপা ' রোল ওফ ম্যুজিক ইন শুমাং লিলা' গী ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, এম লক্ষ্মিকুমার কম্মিস্নার আর্ট এন্দ কলচরনা প্রসিডেন্ট অমসুং ৱারেপ্পা নব পদ্মশ্রীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ঙসি লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোক্লিবা 'রোল ওফ ম্যুজিক ইন শুমাং লীলা' হায়বা হীরম অসিদা ম্যুজিক অমসুং শুমাং লীলা হায়বা ৱারোল অনি য়াওরি। হায়রিবা হীরম অনি অসি মীওই অমনা অমতং নৈনবদা লোইবা নাইররোইদবনি।

মীওইবগী পুন্সিদা থৱাইগা হকচাংগা তোঙান্না খাইদোক্লবা য়াদবগুম শুমাং লীলাগীসু ম্যুজিক্না থৱাই ওইদুনা অনি অসি খাইদোক্লবা য়াদে হায়না ফোঙদোকখি।

আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্টনা আর্টপু নুংশিদবা অমদি থওইদবা লৈতে। চহি কয়াগী মমাংদা ডিপার্টমেন্ট অসি মমিংতগী ওইনা লৈরম্বা অদু অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসি লাক্লবা মতুংদা ডিপার্টমেন্ট অসি মপুম ফানা মথৌ তৌহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। কলচরেল পোলিসি অমসুং ফিল্ম পোলিসি অসি হৌজিক হৌজিক মীয়ামদা ফোঙদোকপা য়াবগী তাঙ্কতা লৈরবনি। কলচরেল পোলিসি অসি মীয়ামদা ফোঙদোক্তুনা কলচরবু মশক তাক্লিবা শুমাং লীলা অসি নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা য়ৌহন্দুনা মালেমদা শক্তাক্লবা হোৎনসি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ৱারেপ্পা নব পদ্মশ্রীনা হায়খি, মণিপুর কলচরগী লমদা শুমাং লিলাগী ট্রেডিসন অসিবু কন্নবা হোৎনবদা ৱার্কশোপ অসিনা চাওনা মতেং পাংলগনি।

শুমাং লিলা হায়বা অসি মমাংদা চৎনরম্বা, হৌজিক চৎনরিবা অমদি তুংদা চৎনরক্কদবা কয়া অদুগী মশক উৎনবা হোৎনরিবা অহিংবা পার্ফোমেন্স আর্ট মখল অমনি। শুমাং লীলা অসি হৌজিক্তি মালেম শিনবা থুংনা খঙনরবনি হায়বা য়াই। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা কদায়দা করি শোইরি হায়বা মশক খঙদোকপা তঙাইফদে। শুমাং লিলাদা ঐখোয়গী ওইবা করিগুম্বা মশক শাগৎপা চুমগনি হায়না খল্লি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

কালা তৌরিবা ময়াম অসি মাগী মাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা মওং কয়াদা তৌনরি। মীওই অদুগী নিংলিবা পন্থুং অদু য়ৌনবা হোৎনদুনা য়াম্না ৱানা হিংলিবা আর্টিষ্ট ময়াম অসিগী লৈঙাক্না করিগুম্বা খোঙথাং খরদি লৌখৎফম থোকই। আর্টিষ্ট অমগী পুন্সিবু য়োকখৎপগী থৌওং অমা কলচরেল পোলিসিদা চলহনবা তঙাইফদে। কালা আর্টিষ্টশিংগী ওইবা স্কিম অমত্তা লৈঙাক্না লাওথোকপীবা লৈতে। আর্টিষ্টশিং অসি হিংজনবা করিগুম্বা খরা হোৎনবীবা ফৈ হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নুমিৎ ৩০ নি চথুরকপা ৱার্কশোপ অদুনা পুথোকপা *খোঙজোম লান্দা পাওনা* হায়না মীংথোনবা শুমাং লিলা অমসু মীয়ামদা খুদোল তমখি।

## ইম্ফাল কোলেজ ইকো ক্লবকী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** ইম্ফাল কোলেজ ষ্টুডেন্টস ইকো ক্লব (আই সি এস ই সি)না শিন্দুনা টুৱার্দস এ ক্লিনর, গ্রিনর এন্দ বেটর এনভাইরোনমেন্ট হায়বা মোটোদা ক্লব অসি চহি ১ মপূং ফারকপগী থৌরম ঙসি কোলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা টি ঐচ ভোগেন ডেপ্যুটি ডিরেক্টর, ডিরেক্টেররেট ওফ এনভাইরোনমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা চীফ গেষ্ট, ডা: এন জি ইবোতোম্বী প্রিন্সিপল ইম্ফাল কোলেজ অমসুং চিয়রমেন, আই সি এস ই সিনা প্রসিডেন্ট অমসুং ও ইবোমচা এসোসিয়েট প্রো. ডিপার্টমেন্ট ওফ এডুকেসন ইম্ফাল কোলেজনা স্পিসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা টি ঐচ ভোগেন্না হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা কোলেজশিংগী মনুংদা ইকো ক্লব অমা লিংখৎখিবসি ইম্ফাল কোলেজনা অহানবনি। অতৈ অতোপ্পা কোলেজ-শিংদসু ইকো ক্লবশিং লিংখৎতুনা হীরম অসিদা থবক- থৌরম কয়া পাঙথোকপদা শরুক য়াহনবা তঙাইফদে।

থবক অমা তৌবা মতমদা থবক অদু তৌনিংনবগী ইহুল পীবা হায়বা অসিসু য়াম্না অরুবা অমনি। ঈহুল অসি খঙনা থবক তৌরবদি তৌরুবা থবক খুদিংমক শোয়দনা মায় পাক্কনি। থবক অদু পাঙথোক্কদৌরিবা মীওই অদুগী মশাদা ফাওরকপা ঈহুল অসিবু মতৌ করম্না থবক্তা ওন্থোক্কদগে হায়বা অসিসু য়াম্না মরু ওই হায়খি।

মালেমগী ওইনা অঈং-অশাগী খল কাইরকপগী শাথিরবা খুদোংথিবা অমা মায়োক্নরিবা অসিনা মালেমদা লৈরিবা থৱাই পানবা খুদিংমক্তা অৱাবা পীরি। মতম কয়াগী মমাংদগী মণিপুরদা মীওইবগা পূন্না লৈমীন্নরম্বা শা-ঙা অমদি উপাল-ৱাপাল অয়াম্বা হৌজিক উবা ফংজিল্লক্তে। ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভমবু খঙগে হায়রবদি লমদম অসিগী ওইবা মহৌশাদগী লৈরক্লবা শা-ঙা য়োক্তুনা, উপাল-ৱাপালশিং থাদুনা অকোয়বগী ফিভমবু ঙাক- শেন্দুনা নিংথিনা মশক খঙনবা হোৎনসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ডিরেক্টোরেট ওফ এনভাইরোনমেন্টকী ডেপ্যুটি ডিরেক্টর টি ঐচ ভোগেন, ইম্ফাল কোলেজকী প্রিন্সিপাল ডা. এন জি ইবোতোম্বী, কোলেজ অসিগী তোঙান তোঙানবা ডিপার্টমেন্টশিংগী ওজাশিং অমসুং ক্লব অসিগী মেম্বর ওইরিবা মহৈরোই-শিংনা কোলেজ অসিগী অকোয়বদা উ চারা কয়াশু থাখি।

## বনিয়ান রিপর্টরি থিয়েটরনা শিন্দুনা ৱর্ল্ড থিয়েটর ডে পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** বনিয়ান রিপর্টরি থিয়েটর ৱাঙ্খৈ নিংথেম পুখ্রি মপালনা শিন্দুনা থিয়েটর অসিগী কমপ্লেক্সতা ঙসি ৱর্ল্ড থিয়েটর ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থিয়েটর অসিগী চিয়রমেন ওইরিবা মেঘচন্দ্র কোংবমনা ৱল্ড থিয়েটর ডেগী নুংগী ওইবা মশক-মওং কয়া অদু মীয়ামদা ফজনা মপুং ফানা শন্দোক্তুনা ৱা ঙাংখি।

থিয়েটরনা মীয়ামদা পীবা পাউজেল কয়াবু শিংথাখি অমদি অদুগুম্বা থিয়েটরগী ফজখ্রবা ৱাখল্লোন অসি বনিয়ান রিপর্টরি থিয়েটরনসু ৱান্থোক লৈনা থবক পাঙথোকসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বনিয়ান রিপর্টরি থিয়েটরগী ডিরেক্টর কে এস ঐচ ফজতোন চনুনসু থিয়েটর অসি লিংখৎলকপদগী ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা থবক থৌরমশিংগী মরমদা ৱারোল কয়া ফোঙদোকপগা লোয়ননা তুংদসু হেন্না ফজবা মওংদা মাংলোমদা চঙশিন্নবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোকখি হায়না থিয়েটর অসিগী সেক্রেটরি এল তিকেন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** কোরেন (কোইরেং) য়ুথ ওর্গনাইজেসন, মণিপুরগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুনা ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌবগী থৌরম ঙসি লম্ফেল কোরেন (কোইরেং) কোলোনি বেপটিষ্ট চর্চতা রিবরেন্দ টি এন কোরেননা ফেসিলিটেটর, জি ডি এ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়ানা ৱাশক লৌখি।

নৌনা থৌ পুনবা খন্দুনা ৱাশক লৌখ্রবশিং অদুদি ৱাই খুপশৌখেল উতোংলোক ভিলেজনা প্রসিডেন্ট, এম সোংকম সাদু কোইরেংনা জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং ৱাই শোনশিং কামু কোইরেংনা ট্রেজরর ওইনা খনখ্রে হায়রি।

## প্রিপাক্কী ৱার্কর ১ ফারে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা থা অসিগী ২৫ দা অন্দ্রো খুন্নৌ এরিয়াদা থিবা-হুন্বা চথুবদা প্রিপাক্কী অন্দরগ্রাউন্দদা লৈবা ৱার্কর অমা ফারে হায়রি।ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা মোতুম ভিমজাও এলাইজ ইনাও অপোকপা এম ইবোহনবী কৌই। মহাক অন্দ্রো খুন্নৌ লৈকাইদা লৈবনি। মঙোন্দগী সুজুকিকী অঙৌবা মচুগী স্বিস অমা রেজিষ্ট্রেসন নম্বরনা এম এন ০১ য়ু- ০১৪৭ ফংলে হায়রি। মহাক মীয়ামদগী শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

## এডুকেস্নেল হেল্প লাইন ফোর মণিপুরী দাইসপারা শেমখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দাখ্রবা মণিপুরীশিংনা মফম অসিদা লাক্তুনা মহৈ-মশিন তম্বা মতমদা তেংবাংনবগীদমক্তা এডুকেস্নেল হেল্ফ লাইন ফোর মণিপুরী দাইসপারা হায়না মিংথোনবা লূপ অমা শেম্লে হায়রি।

এডুকেস্নেল হেল্ফ লাইন ফোর মণিপুরী দাইসপারাগী জেনরেল সেক্রেটরি সলাম অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী মপালদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগী মরক্তগী হৌজিক হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংনা মমা লৈবাক মরমদমগী খঞ্জরিবা লমদম অসিদা মহৈ-মশিন তমজবা ঙসি ফাওবা ফংদনা লাক্লিবা অসিগী য়েংলগা লাক্কদৌরিবা একাদেমিক সেসন অসিদগী মণিপুরগী মপালদা খুন্দাখিবা ইপা-ইপুশিংগী চাদা- নৌদা ওইরিবা ইচিল-ইনাও মহৈরোইশিংনা মণিপুরদা মহৈ-মশিন তম্বদা মতেং পাংনবগীদমক লূপ অসি লিংখৎপগা লোইননা এডুকেস্নেল হেল্প লাইন সেন্টর হাংখ্রে।

চহি কয়াগী মমাংদগী মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দা- লৈতাদুনা হিংজরক্লবা লমদম অসিগী ইচিল-ইনাও ওইবশিংনা লমদম অসিদা লাক্তুনা মহৈ-মশিন তমজনবগী থৌশিল লৈতবনা মফম অসিদা লাক্তুনা মহৈ তম্নিংলবসু মসিগী খুদোংচাবা অদু ফংদনা লাক্লি। মশাগী পুৱারী, নাৎ, কলচর অমদি লোল- ময়েকনচিংবা লৈজরবসু মণিপুরগী ৱাংমদা চোইনা খুন্দারিবা ইচিল-ইনাওশিংগী মরক্তা উন্নবা অমদি পাউ ফাওদোক্লবা ৱাৎলকপদগী মখোয়-মখোয়না লৈরুবা মফম অদুগী লোল, চৎনবীদা হেন্না লুপশিনখিবদগী মশাগী পুৱারিগী শক্তম অদু মাংখিবা য়াবগী থাক্তা লাক্লে। মসিনা মরম ওইরগা মতম খরগী মতুংদগী মালেমগী লৈমায়দগী মখোয়গী শক্তম মাঙখিবা য়ারকপনা ইচিল-ইনাও ওইরিবশিং অসিগী মশাগী পুৱারী, নাৎ, কলচর খরদং ওইরবসু খঙহন্দুনা মখোয়গী হৌরকফম মমা লৈবাক মণিপুর মালেম অসিদা লৈরি হায়বগী চাওথোকচবগা লোয়ননা মখোয়-মখোয়না খুন্দারিবা মফমশিংদা মণিপুরগী পুৱারীগী শক্তম শাগৎলকপদা মসিনা অনৌবা লম্বী অমা ওইরক্লবগী য়ুম্ফম থোনবনি হায়রি।

লূপ অসিনা এডুকেস্নেল গাইদ খক্তা নত্তনা ফাইনান্সিয়েল এদ পিদুনা মহৈ-মশিন তম্বদা অঙম্বা মতেং পাংগনি। হেল্ফ লাইন অসিনা ক্লাস ১১ দগী হৌরগা পোষ্ট গ্রেজুয়েটকী থাক্তা লৈরিবা মহৈরোইশিংদা মীৎয়েং থমগনি হায়রি।

## জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎনরক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** এম ও বি সিনা হৌখিবা কুমজা ২০১০ দগী ২০১৭ ফাওবদা পাঙথোকখিবা স্কিম অমসুং প্রোগ্রামশিংগী হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্লবা অমদি মাইনোরিটি ওইরিবা মৈতৈ পাঙলশিংগী তোঙানবা মাইনোরিটি ডিপার্টমেন্ট অমা থম্নবা মতম শাংনা তকশিন্দুনা লাকখ্রবসু থবক্তা ওন্থোক্তবৰু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মণিপুর মুস্লিম ৱেলফিয়র এসোসিএসননা থা অসিগী ৩০ গী অহিং নোংয়াইদগী এপ্রিল ১ গী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি লূপ কয়ানা শৌগৎনরক্লি।

ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুডেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও) গী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মাইনোরিটি মৈতৈ পাঙল অমদি মাইনোরিটি ফুরুপশিংগী য়াইফনবা খনবীরগা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি মপুং ফানা শৌগৎপিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

অপূনবা নুপী লূপ কৈরাও মাক্তীং কোলূপ লৈকাইগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনসু জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি শৌগৎপগা লোয়ননা মাইনোরিটিশিংগী ফংফম থোকপা রাইট ফংনবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মতেং পাংবিয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

সোরা মখা ডিভলপমেন্ট ক্লবকী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা, এম এম দব্লিয়ু ওনা কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি মতাং মতম চাবা অমসুং শোখরবশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংহন্নবগীদমক্তা চঙশিল্ল-ক্লিবা খোঙজং অসি শৌগৎকনি।

হিয়াংথাং পালক য়ুথ ডিভলপমেন্ট ক্লবনসু জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** দেবীশ্বরি ফাউন্দেসন ফোর আর্ট এন্দ কলচর ইফোর্টস লংথবাল কুঞ্জ মমাং লৈকাইনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা নুমিৎ ২০ নিগী ওইবা ৱার্কশোপ কম প্রডক্সন ওন ঔগ্রি হঙ্গেল চোংবী লোইশিনবগী থৌরম ঙসি লংথবাল পব্লিক হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর ন্যু দিল্লিগী কলচরেল ফঙ্কসন গ্রান্ট স্কিমগী শেন্থংগী মখাদা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদু লোইশিনবগী থৌরমদা কলচরেল এক্টিভিষ্ট এস রাগিনি, এ তম্ফা রিটয়র এসিষ্টেন্ট হেড মিষ্ট্রেস অমসুং এস কমল গুরু মণিপুরী ফোক ড্রাম্সনা চীফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। গুরু/ওজাশিং য়াওনা আর্টিষ্ট ৩০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদু লোইশিনবগী থৌরমদা ট্রেনি আর্টিষ্টশিংনা পুথোকপা ঔগ্রি হঙ্গেল চোংবী মীয়ামদা খুদোল তমখি।

## তোপ সিফাইদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** কোলিসন্স এগেন্স দ্রগ এন্দ অলকোহল (কাদা) না ময়াই কাবা চিঙ্গাক মুখৎনবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ময়াই কাবা চিঙ্গাক্না খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংনবা মীয়ামগী থৌদাং হায়না মিংথোনবা খন্ন নৈনবগী মীফম অমা ঙরাং নুংথিল তোপ সিফাইগী ইমা নুংথিল লৈমা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। নুংথিল লৈমা নুপীলূপ তোপ সিফাই, সোসল ৱেলফিয়র ক্লব তোপ সিফাই অমসুং কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা পূন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়ুন্নাম নিপামচা, হিজম প্রিয়োকুমার, প্রসিডেন্ট ইন চার্জ কাদা, লোংজম খোমদোল প্রসিডেন্ট ইমা নুংথিল লৈমা নুপীলূপ, সনসম মেম্মা প্রসিডেন্ট কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থোকচোম রমনি প্রসিডেন্ট নুপী সমাজ, নিংথৌজম নোরেন ভাইস প্রসিডেন্ট কাদানা রিসোর্ছ পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা থোকচোম রমনিনা হায়খি, ইন্দিরাগান্ধিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা য়ু থিংবগী অয়াবা পীরম্লবনি। চহি ৮৭ শুরবি ঐনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নদনবা, থিংনবা হৌখিবা চহি কয়াদগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। নুপীশিং মরু ওইনা মমা ওইরিবা ঐখোয়না হীরম অসিদা খোঙজং কয়া চঙশিনবা য়াম্না মরু ওই। ফিদমন্নফম ওইবি মমা অমমম ওইহনবা তাই। ইশা-ইশাদগী হৌরগা ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংলগা ইচাশিং কন্ট্রোল তৌগদবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কাদাগী প্রসিডেন্ট ইন চার্জ হিজম প্রিয়োকুমারনা হায়খি, গভর্ণমেন্টকী থৌমীশিংনা পৃকচেল অমসুং থম্মোয় শেংনা থৱাই য়াওনা তৌদবা য়াদবনি হায়না ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংলগদি মণিপুরদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংবা ঙমগনি। ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংনবা লৈরিবা এক্টশিং মতমগা চুন্ননা শেমদোকপা তঙাইফদে।

মীফম অদুগা মরী লৈননা লোংজম লৈমানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৩ দগী হৌনা খুল অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংদুনা লাক্লি। ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা, য়োনবদি য়াম্না ফারে। অদুবু মপুং ফানা থিংবদি ঙমদে।

নাকল অমরোমদা মফম অসি খক্তা থিংলগা থংনরিবা খুলশিংদা য়োনবসু থিংবা তাই। কাদাগা লোয়ননা ঙসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংমীন্নরবদি মায় শোইদনা পাক্কনি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা য়ুন্নাম নুপামচানা হায়খি, মণিপুরদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংবা মপুং ফাদ্রিবসি মৈরা পাইবী য়াওখিদবা অসিননি। মৈরা পাইবীনা লমদম কয়াদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈহৌ চঙশিল্লবদি ময়াই কাবা চিঙ্গাক শোইদনা থিংবা ঙমগনি

## ইন হাউস পেসেন্টশিংগা উনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** রাজ্য সভাগী এম পি কে ভবানন্দনা হন্দক্তা শঙ্গাখিবা দিল্লি মণিপুর হাউসতা লৈরিবা ইন হাউস পেসেন্টশিংগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখ্রে।

এম পি কে ভবানন্দনা মফম অসিদা লায়েংনবা লাক্লিবা মীওইশিংনা লায়েংলিঙৈদা মায়োক্নরিবা মরু ওইনা লৈফম মপূং ফানা লৈতবা, অনা-লায়েংগী লমজিং-লমতাক, লোল অমগা লোল অমগা ফাওদোক্লবদা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিংগী মরমদা অনাবা অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংনা পৃখৎলকপা ৱাকৎ কয়া তাখি।

অনাবশিংগী ৱাকৎ তারবা মতুংদা দিল্লি মণিপুর হাউসতা খুদোংচাবা হেন্না ফংহন্নবা মহাক্না অঙম্বা তেংবাং পীগনি হায়না ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

## ষ্টডি সর্কল পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ৩০ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা ওল এসেমব্লি রোডতা লৈবা মণিপুর হিন্দি পরিষদ ইম্ফালগী হোলদা পোষ্ট -কোলোনিয়েল ক্রিটিসিজম: এডৱার্দ সাইদ, গাইত্রি চক্রবর্তি স্পিভাক, হোমি কে ভাবা অমসুং হেনরি লুই গেটস জুনিয়রনা তম্বা খুদোল হায়বা হীরম অসিদা ষ্টডি সর্কল অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অদুদা প্রোফেসর হুইরেম বিহারী প্রসিডেন্ট কলচরেল ফোরমনা প্রসিডেন্ট, প্রোফেসর কে ঐচ কুঞ্জো ডিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস এম য়ুনা ষ্টডি সর্কল অসিগী মরমদা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

## ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** আই সি এ আর মণিপুর সেন্টরদা ঙসি প্রেটেক্সন ওফ লোকল ভেরাইটিজ অন্দর প্রোটেক্সন ওফ প্লান্ট ভেরাইটিজ এন্দ ফার্মর্স রাইটস এক্ট ২০০১ হায়বা অসিদা নোংমগী ওইবা এৱেয়রনেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদু প্রোটেক্স ওফ প্লান্ট ভেরাইটিজএন্দ ফার্মর্স রাইট ওথোরিটি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা স্পোন্সর তৌবনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা ফার্মর্র ক্লবশিংগী মেম্বর ১০০ রোম্না থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা আর সি এ আর রিসর্ছ কমপ্লেক্স ফোর এন ই ঐচ রিজন মণিপুর সেন্টরগী জোইন্ট ডিরেক্টর ডা: সি ঐচ বাসুধারনা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা উপা-ৱাপালশিং কনবদা নত্তনা ঙা মখলশিংসু কন্দুনা থম্নবা হোৎনগদবনি। এস গুনমণি এস এম এস (প্লান্ট ব্রিডিং) না প্রিন্সিপলস, গাইদ লাইন্স এন্দ দি ক্রোপ রেজিষ্ট্রেসন ওফ পি পি ভি এন্দ এফ আর এ গী মরমদা ৱা ঙাংখি অমসুং ফার্মর ১০ রোমদা মখোয়গী পোথোকশিং রেজিষ্টার তৌবদা মতেং পাংখি হায়রি।

## 'অশানবা য়ুমদা লৈহন্দনবা ৱারেপ্নখ্রে'

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** উরিপোক গোপালাজি লৈরক য়ুথস এসোসিএসন অমসুং গোপালাজি লৈরক ৱুমেন ৱেলফিয়র এসোসি-এসন অনিগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা শোরোখাইবম দোরেনগী অশানবা য়ুমদা ডোবি বাবুলিন (বাবুপ্রশাদ) অমসুং মহাক্কী লোইনবী শুন্দরি অমসুং মচানুপী দিম্পল অমদি নিংথৌজম রোসনি এলাইজ ইচনগা খৎন- চৈনবগী থৌদোক থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা নাকল অনিমক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনবদা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা ইমুং মনুং অনিমক চয়োল অমগী মনুংদা অশানবা য়ুমদা লৈহন্দনবা শোরোখাইবম দোরেনদা খঙহনখ্রে। অমদি হায়রিবা মীওইশিং অসি মতুংদসু লৈকাই অসিগী অশানবা য়ুমদা লৈহন্দনবা ৱারেপনখ্রে হায়না উরিপোক গোপালাজি লৈরক য়ুথস এসোসি-এসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

## *অরিকপগী মরল শুম্না চাই* না অহানবা মনা ফংখ্রে

**সিলচর, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** ইন্টর কোলেজ মণিপুরী ষ্টোর্ট প্লে কম্পিটিসন-২০১৮ ঙসি সিলচরগী ডিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরি ওডিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা *অরিকপ-গী মরল শুম্না চাই* হায়না মিংথোনবা এম কে কোলেজ অমরগাৎনা পুথোকপা প্লে অসিনা অহানবা মনা ফংখ্রে।

ৱর্ল্ড থিয়েটর ডেগা মরী লৈননা মণিপুরী থিয়েটর সেন্টর অসাম্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অসিগী মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা অসাম মণিপুরী সহিত্য পরিষদকী ভাইস প্রন্সিডেন্ট কে এন চান্দ, ওর্গনাইজিং কম্মিটি প্রসিডেন্ট ডা: কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেনবমনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিডেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা অরাম্বম নাজদাবাবু, আই এস থিঙোম অমসুং লাইশ্রম তেজমণিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

শক্লাইরবা থিয়েটর ডিরেক্টর য়ুম্নাম ইন্দ্রবাবুনা থৌরম অদু হৌদোকখি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :** মোরে কোলেজকী মেথমেটিক্স ডিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরম্বা সাইখোম নবচন্দ্রনা লৈখিদবদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপলনা চিয়র লৌদুনা কোলেজ অসিদা ঙরাং নুংথিল পুং ১ তাবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা কোলেজ অসিগী ফেকলটি মেম্বরশিংনা মিনিট অমা তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপল ডা. এস এল লনজাপাও বাইফৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।